## ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): সনা কোনুংদা লৈবা মাইচৌ ৭কী খুভমদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুং, পাচা লোইশঙ সনা কোনুং অমদি কংলৈ ইনাৎ শীংথা অপুনবা লুপনা শীন্দুনা হৈকৎ লৈকৎ অমদি থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অঙোম নিংথৌ অমদি উত্রাগী ফম্নাইবশিং অমসুং থৌ পুরিবশিংনা থৌরমদুদা শরুক য়াখি। কংলৈ ইনাৎ শীংথা লুপকী সেক্রেটরী থোঙাম হেরোজিৎনা অহল ওইরবী ইমা সনাহনবীদা লেংয়ান ফী খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। চহী খুদিংগী লেপ্তুনা থৱানগী নীনি পানবদা পাঙথোকপা মাইচৌ তরেৎকী নীংশিং থৌরম অমদি হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌনি থৌরম পাঙথোকপগী মনুং চন্না থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## GAS NEWS

**M/S ASHANGBI INDANE SUGNU**
Booking Upto : 30/06/2020
Valid From : 16/06/2020
**Stock : 306**
***ONLY HOME DELIVERY***
Call to 7629966437
from 8:00 am to 2:00 pm

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking Upto : 11/07/2020
Valid From : 10/07/2020
Booking Only : 03852444677
Enquiry Only : 9436280866
Timing : 7:30am to 11:00am

**M/s K&K INDANE SERVICE**
Booking Upto Sl. 100 A&B
Date 07/07/2020
Valid From : 29/06/2020
Time : 7.30am to 11.00am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time : 8:00am to 12:00noon

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking Upto : 22/05/2020
Valid From : 06/05/2020
**Stock : 612**
***HOME DELIVERY ONLY***
Cont. Call Time : 7:00 am to 10:00 am, Call : 9862836403, 8415050488, 9862283423

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto : 12/06/2020
Valid From : 10/06/2020
**Stock : 306**
Timing : 6:00am to 9:00am
Home Delivery (Contact no. 6909963855/8119073029)

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto :19/06/2020
Valid From :16/06/2020
HOME DELIVERY TIMING : 8:00 am to 12:00 noon
For Thangmeiband Area Please Contact / SMS/ Whatsapp to 8131852580 / 9089370369
For Uripok Area Please Contact / SMS/ Whatsapp to 6009885600/ 7085198900,
For Other Area Please Contact / SMS/ Whatsapp to 9612009063 /9862792731

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking Upto : 21/05/2020
Valid From : 18/05/2020
**Stock : 612 (HOME DELIVERY SERVICE)**
Contact Nos. : 1. Dilip : 9612883295 (Moirang A/C), 2. Ajay : 7005667570 (Thanga A/C), 3. Rojen : 8787381746 (Kumbi A/C).
Booking Contact No. : 7085972248. Timing 8:00 am to 12 Noon

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto : 25/06/2020
Valid From : 25/05/2020
***HOME DELIVERY ONLY***
Contact Nos. : 8730954041, 8259969582
Call Timing: 7:30am to 11:00am

**TDK GAS SERVICE**
Booking Upto : 09/06/2020
Valid From : 07/06/2020
***HOME DELIVERY ONLY***
Contact Nos. : 6909614353/ 8731992324

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto : 10/06/2020
Valid From : 04/06/2020
**HOME DELIVERY ONLY**
Contact nos.: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.362749 |
| US Dollar | 74.637967 |
| British Pound | 94.637672 |
| Australian Dollar | 53.395704 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.667457 |
| Japanese Yen | 0.697812 |
| Malaysian Ringgit | 17.551868 |
| Singapore Dollar | 53.920959 |
| South Korean Won | 0.062406 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.903458 |
| Thai Baht | 2.362941 |
| Myanmar Kyat | 0.05372 |
| Bangladesh Taka | 0.88077 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 50143.00 |
| Mumbai | – | Rs | 50200.00 |
| Delhi | – | Rs | 50170.00 |
| Kolkata | – | Rs | 50228.00 |

## য়োৎ, সিমেন্টনচিংবা মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু :হেরিকোন

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): য়োৎ, সিমেন্টনচিংবা পোৎলমশিং মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু হায়না হেরিকোনগী সেক্রেটরী জেনরেল ৱাই সুরজিৎ কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

হেরিকোনগী থৌমীশিংনা পোৎ-চৈ মমল হেন্না য়োনব্রা হায়না য়েংশিনবা চৎপগী খোঙচৎতা ৱাই সুরজিৎকুমারনা হায়খি, পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োনব্রা হায়না য়েংশিনবা চৎপনি। য়োৎ, সিমেন্ট, টাইলসনচিংবা পোৎলমশিং মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু। মমল হেন্না য়োনবা অমদি কমদৌনা পোৎ য়োনবগী মওং চত্থবগে হায়না য়েংশিনবনি।

কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসিনা নোংমগী চারা তাল্লগা থবক শুরিবশিংদা হেন্না চৈথেং পীরি। কংলগা শিবা য়াবগী ফিভম লাক্ত্রিঙৈদা লল্লোল ইতিক তৌবশিংনা য়োন্নিংবা মমলদা য়োন্দবা ৱাফম থল্লি। হেরিকোনগী গ্রিভান্স সেলনা অৱাবা অসিদা শরুক য়াদুনা চঙশিনগনি। লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমলদা ফংহনগদবনি।

য়েংশিনবা চৎপদা পোৎ-চৈগী মমল থেৎলমদবসু য়াওই। থঙ্গাল বজারগী দর্ম্মসালা, অলুগলিনচিংবদসু য়েংশিনখি। য়ুম শাবা হৌগৎলগা শাবা ঙমদবা কয়া লাক্লে। কনষ্ট্রক্সনগী মচাক য়োৎ, সিমেন্টনচিংবা মমল লোকদাউনগী খুদোংচাবা লৌরগা অশুক্কী মতিক তাংখৎলে। মসিগী মতাংদা চেম্বর ওফ কর্ম্মসকসু ৱারী শান্নখ্রে। য়োল্লিবা কাংবুগসু উননবা হোৎনরি। কনষ্ট্রক্সনগী মচাকশিং মমল হেন্না য়োনবীগনু হায়না ফোঙদোকখি।

## লোক্তাক প্রোজেক্টকী মাংজবা, তোংজবা হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): লোক্তাক প্রোজেক্টকী তোংজবা অমদি মাংজবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা লৈহৌ খুন্নাই কনবা লুপতিন (এল কে কে এল)না শীন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লোক্তাক মরু ফুবালাদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এল কে কে এলগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোমরেন্দ্রো থোকচোমনা হায়খি, লোক্তাক হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট অসি কুমজা ১৯৭১দা থবক পায়খৎপা হৌখি। কুমজা ১৯৮৩দগী প্রোজেক্ট অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন ঐচ পি সীনা থবক চত্থবা হৌরকখি। প্রোজেক্ট অসি হৌবগী মরু ওইবা পান্দমদি মৈ মেঘৱাট ১০৫ পুথোক্তুনা অৱাং-নোংপোক্কী মৈ অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনবনি। লোক্তাককী অকোয়বগী লৌফম হেক্টর ২৪,০০০দা ঈথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাবা পীবা হায়বসিসু য়াওরি। লাইবক থীবদি চহী ৩৭ রোম অসিদা পান্দম অনী অসি থবক ওইনা পায়খৎপা উদে।

ঈথাই বারেজনা লৌফম একর ৫৭০০০ ঈথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়খিবা ৱাফম অদুদা লাইরদনা দাম অসিনা লৌফম একর ৮০,০০০ ঈশিং থুমজিন্দুনা মাংহনখ্রবনি। প্রোজেক্ট অসিনা ঈশিং পীগনি হায়না খোঙ তৌথোক্তুনা লৌ উরম্বা লৌফম কয়া ঈশিং পীবা ঙমদনা মাংখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা থিনুঙৈ জিলা পরিষদ ৱার্দ নম্বর ৬কী মেম্বর ও জয়চন্দ্রা, ফুবালা জি পিগী প্রধান এন রঞ্জিৎ, ফুবালা জি পিগী ৱার্দ নম্বর ১ মেম্বর দল্লীয়ু প্রেমচন্দ্র, জি পি অসিগী ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর ৱাই প্রেম, ফুবালা অপুনবা মৈরা পায়বী লুপকী প্রসিদেন্ট একা, ঘন্ধা ইংলিস স্কুল ফুবালাগী প্রিন্সিপাল খোইরোম সরত, ফুবালা জি পিগী এক্স প্রধান ৱাই লোখোন, এল কে কে এলগী প্রসিদেন্ট পুয়াম জয়না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

লোক্তাক প্রোজেক্টকী তোংজবা অমদি মাংজবগী মতাংদা পাঙথোকপা মীফমদুদা এম য়ুগী রিটয়র্দ প্রোফেসর দল্লীয়ু নবকুমারনা ৱাতেম্লোই ওইখি। ডা. মমতা, দল্লীয়ু রমানন্দ, সলাম রাজেস, পাউজেল চাওবা অমদি মণিপুর ৱেটলেন্দ ওথোরিটিগী টেক্নিকেল কন্মিতিগী চেয়রমেন কে ঐচ শমুঙৌনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## সিংহাটতগী টুইভাই ফাওবগী খুল ১৪দা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অৱাবা কয়া য়েংলগা ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্ট লিমিটেদ (বি আই পি এল)না সিংহাটতগী টুইভাই ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভিল্লেজ ১৪গী য়ুমথোং ১,৬০০ রোমদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে।

বি আই পি এলগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা মমাঙদসু লমদম অশোমদা চানা থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকপা লৈখ্রে। মখা তারকপা ওইনা চেঙ য়েন্থোকপগী থবক অসি চত্থবনি। এন ঐচ আই দি সী এলগী মখাদা বি আই পি এলনা সিংহাট-টুইবাই লম্বী শেম্বগী থবক চত্থবা মতমদসু খুঞ্জাশিংনা নীংথিনা কো-ওপরেসন পীবিখি। লম্বী শেম্বগী থবক মতম চানা লোইশিনবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রিদগী বোনস ফাওবা ফংখি। মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী টু লেন শেম্বা য়াওনা লম্বী অসিগী পরিংদা শেমগৎ শাগৎনবগী মখা তাবা অয়াবসু পীরকপা লৈখ্রে। বি আই পি এলনা লম্বী শেম্বগী থবক্তসু খুঞ্জাশিংনা কো-ওপরেসন পীবিবদগী য়াম্না নুংঙাইনা লম্বী শেম্বা ঙন্মী।

কোভিদ-১৯গী অৱাবা অসি য়েংলগা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা বি আই পি এলগী মায়কৈদগী সিংহাটতগী টুইভাই ফাওবগী মরক্তা লৈবা খুল ১৪ রোমগী য়ুমথোং ১,৬০০তা ইমুং অমমমদা চেঙ কেজি ৫/৫গী চাংদা য়েনবনি। মখা তানা অৱা অনা কয়াদসু অঙম্বা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি। লোকদাউনগী অৱাবা কয়া অসিদা তেংবাং পোৎলমশিং অসি পীবনি হায়নসু মখা তাখি।

## ভি দি এফশিংগী দিমান্দ তাল্লদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ মেম্বরশিংনা দিমান্দ কয়াগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিয়েসননসু খোঙজং চঙশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

থা অসিগী ১৬তগী ভি দি এফশিংনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ কয়াগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকপনি। দিমান্দশিং অসিগী মনুংদা ভি দি এফশিংগী সার্ভিস রিগুলরাইজেসন তানবা, সার্ভিস সিক্যুরিটি থম্বা, থা ১৩গী পে শানবা হায়জবা, মতমগা চুনবা রিমুনরেসন পীবিনবা হায়জবা ৱারোল কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম সী এমদা থাখিবা লৈখ্রে। থবক অমত্তা পাঙথোরক্তবনা মরম ওইরগা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ মেম্বরশিংনা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লোই হায়বা ৱাফম থল্লি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মেন পাৱরদা সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টদা অহোবা লৈরে হায়দুনা পোষ্ট কম্মান্দর অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংগী ও সীশিংনা খোঙজং চত্থরিবা ভি দি এফশিংবু নমদুনা মথৌ তৌহন্দনবা অপিল তৌরি। নমদুনা মথৌ তৌহল্লম্বা তারবদি মদুদা থোক্লক্পা অফ-ফত্তা কম্মান্দর নত্রগা ওফিসারশিং অদুনা থৌদাং পুগদবনি। সেন্ট্রেল কন্মিতিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদগী হেন্না কনবা এজিটেসন কয়া চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌরকপা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসননা মপুংফানা শৌগৎকনি হায়নসু মখা তাখি।

### এৱ্যেরনেস চত্থখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলনা লাইন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল চনুরাগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস অমদি উ থাবগী প্রোগ্রাম অমা ঙসি তাকয়েলখোঙবাল মনিং লৈকায়দা লৈবা হোপ হোমদা পাঙথোকখ্রে।

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলগী সেক্রেটরি লাইওন কোসিগিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, রিচিং আউট ওফ দিনিদি কেম্পেইন হায়বা বেনর মখাদা প্রোগ্রাম অসি চত্থখিবনি। সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন অমদি দল্লীয়ু ঐচ ওগী গাইদ লাইনশিং ঙাক্লা প্রোগ্রাম অদু চত্থখি। থৌরম অদুদা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, চেঙ, মনা-মশিং অমদি চানা থক্লবা পোৎলম কয়াসু হোম অদুদা পীরমখি। থৌরম অদুদা লাইন্স মেম্বরশিং অমদি হোম অদুগী মীওইশিংনা উ চারা ৫৩ রোম থাখি হায়রি।

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, সী এম ও থাগৎলি ঃ নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী অমদি সী এম ওবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরী এল সুমতিবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা নত্তনা নোনে, সেনাপতি অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীওই কয়াগী লায়েংফম ওইরম্বা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মতম খরা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওন্থোক্লরে। নোংজুথা হৌরকপা অমদি কাঙনা শন্দোকপা অরুবা লায়না মখল কয়ানা নারবশিংদা নত্তনা এক্সিদেন্ট থোকপগী খুদোংথিবা নংলবা মীওই কয়াগী লায়েংফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অঙাং উনবা নত্রগা মেদিকেল চেকঅপ তৌনবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা কয়াবু খঙবিদুনা লৌকোইপাৎতা লৈবা ওল্ড দি সী বিল্ডিংদা কোভিদ ক্যের সেন্টর হোংদোকখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালবু মহৌশাগুম্না অনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহল্লকপগীদমক বিষ্ণুপুর দি সী অমদি চীফ মেদিকেল ওফিসারবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

কোভিদ-১৯ শন্দোরক্লিবা কাংপোকপী, সেনাপতি, থৌবাল অমসুং উখ্রুলগী মেদিকেল হোস্পিটালশিংসু মহৌশাগুম্না অতোপ্পা লায়না মখল কয়ানা নারবশিংগী লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা মরী লৈনবা দি সী অমদি চীফ মেদিকেল ওফিসারশিংগী মীৎয়েং চীংশিল্লি। জিরিবামদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ মশিং খঙহেন হেনগৎলক্লি। মসিদসু য়েংশিনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

## ফেগোক্তাগী খোঙজংদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসসু শৌগৎলে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ফেগোক্তাগী খোঙজংদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসসু শৌগৎলে হায়না টিচর্স ফোরম দি এম কোলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. কে ইন্দ্রমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি ফমখিবা কোলেজ অসিগী একজিক্যুটিভ কন্মিতিগী মীফম্না ফিরেপ অসি লৌখিবনি। লৈঙাক্লা গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওজাশিংগী ৭শুবা পে পীগনি হায়বগী থাজবা কয়ারক পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি। মসিদা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌজিক ফেগোক্তানা খোঙজং চংশিল্লকখিবনি। ৭শুবা পে পীদবগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎপা ওইনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ওজাশিংবু কোলেজ অসিগী একাদেমিক্কী ওইবা মরী লৈনবা থবক অমত্তা লৈঙাক্লা ৭শুবা পেগী চপ চাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা শরুক য়াদবা হায়না ৱারেপ লৌরে। ৭ শুবা পে পীবিয়ু হায়না মতম শাংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোকপীদনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ফেগোক্তানা খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবনি।

হীরমসিগী মতাংদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী টিচর্স ফোরমগী একজিক্যুটিভ কন্মিতিগী মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা খোঙজং অসিদা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ফ্লাইটতা মীওই ৪৩১ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ঙসি পুং ৯.২০ তাবা মতমদা ইন্দিগো ফ্লাইট (৯ ঈ ২৫১)না দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৪৬, নুপী ১৫ অমদি অঙাং অমা য়াওনা পুন্না মীওই ৬২ ইম্ফালগী বি তিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অনীশুবা ফ্লাইট আই ৫ ৭৮৩ অসিনা অয়ুক্কী পুং ১১.৩৭ রোম তাবা মতমদা দিল্লি অমসুং গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ১০১, নুপী ৩৬ অমসুং অঙাং ৮ য়াওনা পুন্না মীওই ১৪৫ পুশিল্লকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ ৭০৭ অসিনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৯ তাবা মতমদা কোলকতাদা পন্দুনা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৫৩, নুপী ১৭ অমদি অঙাং ৩ পুন্না মীওই ৭৩ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। মরিশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯ আই ৭৪১) অসিনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৯ তাবা মতমদা গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই নুপা ৩০, নুপী ১১ অমদি অঙাং ৪ য়াওনা পুন্না মীওই ৪৫ পুরকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ঈ আই ৮৮৯ অসিনা নুংথিল পুং ২.২১ রোম তাবা মতমদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৮১, নুপী ২৩ অমদি অঙাং ২ য়াওনা পুন্না মীওই ১০৭ পুশিল্লকখি।

ঙসি ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালদা পুশিল্লকখিবা মীওই ৪৩১ অদু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা মপানদা থৌরাং তৌদুনা থল্লিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা সোসল সিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পুরগা ঘড়িদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মদুগী মতুংদা মফম অদুদগী তোঙান-তোঙনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং লাক্লগা মীওইশিং অদু ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা পুরগা চৎখি। হৌখিবা মে ২৫দগীনা মণিপুরগী মপান লমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ঙসি ফাওবদা পুন্না ২২,২২৭ পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

## জিরিবাম পুলিসনা ক্বা সুপারী পুরকপা ট্রক অহুম ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): জিরিবাম পুলিসকী এ এস আই কৃষ্ণ শর্ম্মা অমদি জিরিবাম এন্টি দ্রগ সেলগী এ এস আই এ কৃষ্ণ শর্ম্মানা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা চপ চাবা পাউ ফংবদগী ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ট্রক অহুমদা পুরকপা ক্বা সুপারী বেগ ৩৬৪গা কোন্ননা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদগী ফারে হায়রি।

ফারবা ট্রকশিং অদুদি (এ এস ০৭ সী/৩৭০৬)অসিদা ক্বা সুপারী বেগ ১০২ পুরকখি। (এন এল ০১ জি ৭১২৮) অসিদনা বেগ ১৩১ পুরকখি। অহুমশুবা ট্রক (এম এন ০৬ টি ০৫৭৮) অসিদনা বেগ ১৩১ পুরকখি হায়রি। পুন্না ট্রক ৩দা পুরকখিবা ক্বা সুপারী অদু কে জি ২৫,৪৭২ রোমনি। মদুগী ভেল্যুনা লোকেল মার্কেটতা লুপা ৩৮,২৮,৮০০ রোমনি হায়রি।

ফারবা ট্রক অহুম অদু দ্রাইভরগা কোন্ননা জিরিবামদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসারদা অকনবা থবক লৌৎননবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## আই এল পী পীবগী ওর্দর হন্দোকপীয়ু ...

*লামায় ১গী মখা...* হৌখিবা অসি মতাং চাদে। মণিপুরদা লায়না অসিনা অকিবা ফংনা মশীং য়ামজখিদ্রবা য়েলহৌমীশিংদা নোংম-নোংমগী শন্দোক্তুনা পোজিটিভ ওইবগী অপুনবা মশীং ২০০০ হেনখ্রে। অদুগীসু মথক্তা জিরিবাম অমদি থৌবালদা কম্যুনিটি ত্রান্সমিসন শন্দোরক্লবরা হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মপান লমদগী মীতোপ চঙবা য়াবগী অয়াবা পীরিবা অসিদি য়েলহৌমী ওইরিবা মশীং য়ামজখিদ্রবা ফুরুপ পূম্বা মুৎনবা শিনবনি হায়না জে সী আই এল পী এসনা লৌদবা ঙমদে। মণিপুরদা মীতোপ চঙবা থিংলিঙৈ ফাওবদা নোংমদা ফ্লাইটতা মীতোপ ময়াম অমা চঙলকখিবগী অকিবা কোত্রিবনি। মীরমদা লৈরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা ইরমদম অসিদা লাক্তুনা লৈরি, অদুগা মণিপুরদা হান্না লৈরিবা মীতোপ অয়াম্বদি মরমদা হন্নদনা লৈরি। মমিংতগী ওইনা মীওই খরখক মরমদা হল্লি।

থৌবালদগী মীওই অমত্তা থোকপা য়াদবা, অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগীসু মীওই অমত্তা চঙবা য়াদ্রবা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থবক তৌবা ওইরবসু থৌবালদগী লাকপা মীওই ওইরগদি চঙহন্দ্রি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুরদা রেদ জোন এরিয়াদগী চঙলক্কদৌরিবা মীতোপশিংদি অকিবা ফংবা কোভিদ-১৯ শন্দোক্লিবা ষ্টেট কয়াদগী ওইরিবনি। লম্বী থোং অমদি অতে কয়া শেমগৎনবগী মশীং য়াল্লবা শীন্মি কয়া পুশিল্লকপা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অচৌবা শাফু অমা পীরনি। চাওখৎনবা শেমগৎ-শাগৎপদা জে সী আই এল পী এসনা অথিংবা পীবা ওইনসু খনবিগনু। লমদম অসিগী ইমা-ইবেল কয়ানা থা মরি কৈথেল থিংদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবা অসিদি করিসু খন্দবগী মতাগুম মপান্দগী মীওই চঙহল্লকপা অসিদি তরাইনা লৌদে। মপান লমদগী পুশিল্লকপা লেবরশিংনা থবক শূবিরগা মণিপুর চাওখৎকদরা? নাকল অমরোমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা য়েলহৌমী মুৎখিবগা অনী অসিগী অরুম অয়াং ইরৈচা মীয়াম্না খনবা মতম ওইরে। জে সী আই এল পী এসনা মীতোপ চঙবদা অথিংবা পীবা অমদি থিংদবগী ওথোরিটি ওইদে, অদুবু লায়না লাইচৎ মরক অসিদা মীতোপতা আই এল পী পীবা হৌরনি হায়বসিদি তশেংনা লাইবক থীবনি। লৈঙাক অসিনা থোক্লিবা ওর্দর অসি হন্দোকপীদুনা কংলৈপাক অসিনা কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈরিবা অসিদগী কোকহনবিয়ু। ঙন্মী হায়বগী মতাগুম তৌরক্লবদি জে সী আই এল পী এসনা য়েলহৌমী মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ব্রাউন সুগর, হেরোইন ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুসিলকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী লিচিং মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী হেরোইন নম্বর ৪নি চীংনবা ময়োম ৬ অমদি ব্রাউন সুগর গ্রাম ৩১৯.৫ ফাগৎখ্রে হায়রি।

এস পি ভিক্টোরিয়ানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙরাং অয়ুক পুং ৬.২০ তাবদা সী দি ও য়ুনিট ককচিংগী সুবেদার কে এস ঐচ প্রকাসনা লুচিংবা কাংবু অমনা সোরা মনিং লৈকায়দগী দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবনি হায়বা জামিলা (৪৫) মপুরোইবা এম দি বানিয়ম কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা চঙশিনবদা নুপী অমা থোরকখি। নুপী অদু জামিলানি হায়বা মশক খঙদোকখি। মীওই অনীনা ৱিটনেস ওইদুনা ময়াই কাবা দ্রগশিং অদু পুথোরকউ হায়বদা জামিলানা মহাক্তি দ্রগকী মরমদা খঙদে হায়না ফোঙদোরকপদগী এদিস্নেল এস পি মনিহারনা লুচিংবা অহেনবা টিমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা নুপী পুলিস পর্সনেল য়াওনা থি-হুম্বগী থবক চত্থখি।

জামিলাগী তুম্ফম কাদা থিবদা অমুবা প্লাষ্টিক পেকেট অমদা হেরোইন নম্বর ৪নি চীংনবা চেনা য়োম্বা ময়োম তরুক য়াওরমখি। শেল ওইনা লুপা ৫৬,৩২০, মোবাইল হেন্দসেট ৩ অমদি মোটোর বাইক অমা ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা মীওই অমসুং পোৎলমশিং ককচিং পুলিসতা মখা তাবা এক্সন লৌখৎনবা শীন্নখ্রে।

অমরোদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৫ তাবদা সী দি ও ককচিং য়ুনিটকী সব ইন্সপেক্টর টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা লুচিংবা কাংবু অমনা কুরাউপোকপী পাৱর হাউস মনাক্তা অচৎ অৱোক চেক তৌবদা মোরে রোমদগী থোক্লকপা বোলেরো অমা চেক তৌরুবদা স্পেয়র টায়র মনুংদা ব্রাউন সুগরনি চিংনবা পোৎলম গ্রাম ৩৯১.৫ য়াওরম্বা থেংনখি। পোৎলমশিং অদু পুরকপদা চেন্নবা মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখি। মীওইশিং অদুদি সমির খান, সোরা মমাঙ লৈকায়, এম দি ফিরোজ খান মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ অমদি অমিত অচারি মোরে ৱার্দ নম্বর ৭নি হায়রি।

## উরিপোক্কী ওইনা ভেন্দর ফম্বীশিং নুমিৎ ১০নিগী অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): উরিপোক্কী ওইনা বেন্দর ফম্লিবা অমদি পোৎ য়োনবা লাক্লিবশিং নুমিৎ ১০নি অথিংবা থম্লে হায়না উরিপোক অপুনবা লুপকী জেনরেল সেক্রেটরী সামোম দুরবনা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক সোরবোন থিঙেলদা লৈবা উরিপোক অপুনবা লুপকী ওফিসতা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা সামোম দুরবনা হায়খি, হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ ১০নি অসি পোৎ-চৈ য়োনবা, য়ু য়োনবনচিংবা অথিংবা থম্লে। হৌজিক লৈরিবা কেভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদগী অথিংবা অসি থম্বনি। উরিপোক এরিয়াদা নুমিৎ ১০নি অথিংবা থল্লিবা অসিদা ষ্ট্রিট বেন্দরনচিংবা ফম্বা য়ারোই। ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্লিবশিং অসি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লাক্তুনা ফম্বা মরম্না অথিংবা অসি থম্বনি।

জিম, এরোবিক, যোগ, নাইট ফুটবোলনচিংবা শান্নরিবশিংসু এস ও পিগী চৎনা কাংলোন ঙাক্তবশিং অথিংবা থমগনি। লৈকায়দা হাংলিবা দুকানশিংদা এস ও পি ঙাক্তবশিং অথিংবা লৈগনি। ময়াই কাবা য়ু য়োনবদসু অথিংবা থম্লে। চৎনা কাংলোন ঙাক্তবা থেংনরবদি লুপ অসিনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু মখা তাখি।

## হোকর এসোসিএসন্না ৱাফম কয়া...

*লামায় ১গী মখা...* য়েন্থোক্লিবা হোকরশিংনা নুমিৎ খুদিংগী পাউচে য়েন্থোক্তুনা লাকপা অসিদা লৈঙাক্লা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা এরিয়াশিংদা মীয়াম্না পাউচে য়েন্থোকপা লাকপদা য়ূমগী থোঙ্গাল, লৈরকশিংদা অমদি থোংশিংদা য়াল্লবা উ-ৱানচিংবা পৈদুনা চৎপা য়াদনবগী মওংদা লৈরম্না কয়া অমা থেংনবা অমদি লৈকায়-লৈকায়গী ক্লবশিংগী মীওইশিংনা থোরক্তুনা পাউচে য়েন্থোকপা লাকপা অদু লাক্তনবা হায়বীরকপা কয়া য়াওরে। মরম অসিনা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা এরিয়াশিংগী সবস্ক্রাইবরশিংনা পাউচে ফংবা-ফংদবা য়াওরকপা য়াই। মসিদা সবস্ক্রাইবরশিংনা ৱারৌবীরোই হায়না নীংঙৈ। হোকরশিংদি নুমিৎ খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা মথৌ পাঙথোকচগনি। কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈবা সবস্ক্রাইবরশিংনা অদোমগী হোকরশিংদা পাউচৈগী মথৌ লৈরক্লবা মতমদা পাউ ফাওবীরক্লবা আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নুপী অমগী...

*লামায় ১গী মখা...* সঞ্জয়না নুমিৎ তরুকনি পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে। অদুগা দোলেন্দ্রো, শান্তিকুমার অমদি শ্যামকুমারনা বেলদা থোকখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা মখা তানা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা কন্না থি-হুম্বা চত্থরি হায়রি।

## নোটিস ইস্যু...

*লামায় ১গী মখা...*অমরোমদা, কেস অসিগা মরী লৈননা কেভ্যাইট পিটিসনগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীগী মায়কৈদগী কেস অসিদা কোংগ্রেস পার্টিসু রেসপোন্দেন্ট অমা ওইনা য়াওহনবীনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপদা কোর্টনা মদুগী মতাংদদি পিটিশন অমা ফাইল তৌরক্নবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কোর্টকী পাউতাক অসিদগী মসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা পিটিসন অমা ফাইল তৌননবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

## পুং ২৪গী মনুংদা কেস ৪৫ থেংনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ৫ অমসুং উখ্রুলদগী ৭নি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৪দি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী পোজিটিভ ওইখ্রবশিংগা কোনটেক হিষ্ট্রি লৈবা মীওইশিংনি। অদুগা অতৈনা মপান্দগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী মীওই কয়া দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশীং ১৪১৮ শুখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেস ৪৫ অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২০৬০ শুখ্রে। অদুগা হৌজিক কেস ৬২৪না এক্টিভ ওইরি। ষ্টেট অসিদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিবা লৈত্রি। ৩৭ এ আরগী মীওই অমা কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রে হায়রিবা অদু অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী পাইলানপুলদা লৈবা ৩৭শুবা অসাম রাইফলস পোষ্টকী পর্সনেলনি। পর্সনেল অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী সিলচর মেদিকেল কোলেজদা লায়েংলক্লবা মতুং জুলাই ১৯দা লৈখিদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'দি মোর্নিং বেল' অমসুং 'সনালৈবাক'কী পব্লিসর, এডিটর অমদি বৃন্দা...

*লামায় ১গী মখা...* পীখিবা লামায় ১১ পানবা ওর্দরনা হায়বদা, পিটিসন অসি প্লেনটিফনা 'এক্স-পার্টে' টেম্পরেরি এদ ইন্টরিম ইনজঙ্কসন ওর্দর অমা পাস তৌবিনবা ফাইল তৌরকখিবনি।

ওর্দর অসিনা কেস অসিগী দিফেন্দেন্ট নম্বর-১ (টি ঐচ বৃন্দা)দা মখা তানা অন-সবষ্টেন্সিএটেদ' অমসুং 'এক্স-ফেসি' দিফেমেটরি ষ্টেটমেন্টশিং প্লেনটিফ অসিগা মরী লৈননা ওরেল ওইনা রিপোর্টিং অমসুং রি-পব্লিশিং তৌবগী থবকশিং ওরিজিনেল স্যুইট অসিগী পেন্দেন্সি মনুংদা অথীংবা পীবিয়ু। লোয়ননা অপুনবা দিফেন্দেন্ট ১১গী মনুংদা লেমহৌরিবা দিফেন্দেন্ট নম্বর-২দগী ১১ ফাউবগী মনুংদা য়াওরিবশিং অমসুং মখোয়গী এসোসিএটশিং, এজেন্ট, সভেন্ট, রিপ্রজেন্টেটিভ তোঙান-তোঙানবা ৱেব লিঙ্কস, সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম, য়ু আর এলশিং অমসুং ৱেবসাইটশিংনা মখা-তানা ঙাংবা, ফোংবা নত্রগা ইবা দিফেমেটরি কম্মেন্ট নত্রগা কন্টেন্নচিংবা ৱাফমশিং ওরিজিনেল স্যুইট অসি কোর্টসিদা পন্দুনা লৈরিঙৈদা তৌহনবিগনু হায়বসিনি হায়রি।

প্লেনটিফকী প্রেয়র অসিগা লোয়ননা কোর্ট অসিদগী পর্মনেন্ট অমসুং মেন্দেটরি ইঞ্জঙ্কসনগী ওর্দরগীদমক হায়জরকই হায়রিবশিংগী মনুংদা প্লেনটিফকী মতাংদা দিফেন্দেন্টশিংগী ৱেবসাইটশিং অমসুং সোসল মিদিয়াদা পোষ্ট তৌখিবা দিফেমেটরি ওইবা আর্টিকলশিং অদু রিমুভ তৌনবা দিরেক্সন পীবিয়ু অমসুং প্লেনটিফকী ইমেজ অমদি গুদৱিলবু দিফেম তৌদুনা মাঙহনবগীদমক অপুনবা দিফেন্দেন্ট ১১ অসিগী অমমমদা লুপা ক্রোর ৫০/৫০ নত্রগা মসিদগী হেনবা কোর্টনা লেপ্পা শেনফমগী দেমেজ এৱার্দ তৌবগী ওর্দর অমা পীবিয়ু হায়বসিনি হায়রি।

ঙসিগী ওর্দর অসিনা মখা তানা হায়বদা প্লেনটিফকী এপ্লিকেসন অসি মহাক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলনা ওরিজিনেল স্যুইট অসিগা লোয়ননা মুভ তৌরকখিবনি। কোর্টনা কেস অসি লৌখৎপদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী প্রোপর নোর্মস অমসুং প্রোটোকোল গাইদলাইনশিং ঙাকখি। শুপ্নতগী কোর্টতা পিটিস্নরগী কাউন্সেলখক্তমক চংবদা অয়াবা পীখি অমসুং প্রোপর ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকখি হায়রি।

লোয়ননা কেস অসিগী অর্জেন্ট নেচরগী মতুংইন্না ঙসিগী কেস অসি দিফেন্দেন্ট পার্টিশিংগী এবসেন্সতা মসিগী প্রোসিদিং চত্থখিবনি হায়রি।

প্লেনটিফকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা তৌখিবা সবমিসনশিংগী মনুংদা প্লেনটিফ অসি হৌজিক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবনি হায়বগা লোয়ননা দিফেন্দেন্ট নম্বর ১ অসি মণিপুর পুলিস সর্ভিসকী এদিস্নেল এস পি ওইনা থবক তৌরিবীনি হায়বগা লোয়ননা মহাক হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ক্রিমিনেল কন্টেমপ্ট কেস নম্বর-১ ওফ ২০২০ মায়োক্লরিবনি হায়খি। লোয়ননা ক্রিমিনেল কন্টেমপ্ট কেস অদুদা তৌরিবা চার্জ অহুম অদুগা মরী লৈনদবা অরানবা এলিগেসনশিং তৌদুনা বৃন্দানা থাসিগী ১৩দা ফাইল তৌখিবা 'এফিদেবিট' অদুসু হায়কোর্টকী দিফেক্টিভ লিষ্টতা লৈরিবনা লোগী ওইনা লৌবা য়াদবা অমা ওইরিবনি হায়খি।

অদুবু দিফেন্দেন্ট নম্বর-২দগী ১১ ফাউবদা য়াওরিবশিংনা হায়কোর্টকী দিফেক্টিভ লিষ্টতা লৈরি হায়রিবা এফিদেবিট অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদুগা চপ মান্নবা মওংদা অমুক ফোঙদোরকখিবনি হায়রি। অদুগা প্লেনটিফ অসিনা দিফেন্দেন্ট নম্বর-১দা কৈদৌনুংদা লুখোসৈ জেবু থাদোকখিনবা প্রেসর তৌখিবা লৈতে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি হায়রি।

সবমিসনশিং অসিদগী কোর্টনা প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়না লৌবদগী ৱাকৎশিং অসিগী মতুং ইন্না দিফেন্দেন্টশিংগী মথক্তা জুদিসল মিসেলিনস কেস নম্বর-১৬৯ ওফ ২০২০ লৌখৎখি।

অদুগা কেস অসিগী দিফেন্দেন্ট পুম্নমক্তা প্লেনটিফকী মতাংদা দিফেমেটরি কম্মেন্ট পীবা নত্রগা ৱারোলশিং ঙাংবা, ফোংবা অমসুং ইবনচিংবদা অথীংবা থম্লে হায়খি। লোয়ননা ঙসিগী কোর্টকী এক্স পাটে ইন্টরিম ইঞ্জঙ্কসন ওর্দর অসি এবসোলুট ওর্দর ওইরোইদবগী মরম হংখিবগা লোয়ননা ওর্দর অসিগী কোপিশিং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) শিংদা ফংহনবগী ইনফোর্মেসন পীরক্লবা অমসুং থবক্তা ওন্থোক্লবা দিরেক্সন পীখি। কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং/হিয়ারিংনা মথং থাগী ১৮ (ওগষ্ট ১৮, ২০২০)দা পাঙথোক্কনি হায়নসু খঙহনখি।